ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

এম কে বিনোদিনিগী 'দি প্রিন্সেস এন্দ পোলিটিকেল এজেন্ট' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী ট্রান্সলেটর সোমি রোইনা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুলাদা খুদোল তমখিবা

লামায় ৬

কোসেমনা লৌবা চহীসিগী হায়র সেকেন্দরি এগজা-মিনেসনদা আর্টস ষ্ট্রিমগী ওইনা পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখিবা

লামায় ৩

এম পি ৱাশক লৌননবা দিল্লিদা চৎত্রিঙৈগী মাংওইননা লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি বি জে পিগী ৱার্কর কয়ানা সনা কোনুংগী অকোয়বগী মফমশিং শীৎ-শেংখিবা

লামায় ১

চহীসিগী ঐচ এস এল সী এগজামদা মার্ক ৱাংনা মায় পাক্লকখ্রবা সেন্ট জোন'স ইংলিস হায় স্কুল, নম্বোলগী অফবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরমদা লৈখিদ্রবী নোংমাইথেম সিমরন নীংশিং মনা খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৬

Vol. 44, Issue No.116 | লৈবাকপোকপা, থৱানগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, July 21, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পিক্লিক স্পোর্ট মতম কক্তুনা থিংলগনি

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচএনএস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কোনসা খুন পিক্লিক স্পোট অসি কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তুনা থিংজিল্লে হায়না কোনসা খুন পিক্লিক স্পোট কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা ফরক্লবা মতমদা কোনসা খুন পিক্লিক স্পোট কম্মিটিগী মায়কৈদগী মীয়াম খঙনা মীদিয়াগী খুত্থাংদা খঙহল্লক্কনি। হৌজিক্কী ওইনদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা কোনসা খুন পিক্লিক স্পোট থিংনবা ৱারেপ লৌরে। মখা তাবা অমা লাউথোরক্ত্রিবা ফাওবা হায়রিবা পিক্লিক স্পোট অসি থিংদুনা লৈখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি মণিপুরগী ৱাঙাংলোয় ৪ য়াওনা থৌ পুগদবা কয়া খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচএনএস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোয় মরি য়াওনা থৌ পুগদবা ষ্টেট ওফিস বিয়ারর কয়া ঙসি খনখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা ওর্গনাইজেসন এপোইন্টমেন্টকী ওর্দর থোকখ্রে।

ঙসি থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না বি জে পি মণিপুরগী চীফ স্পোক্সপর্সনদা সী ঐচ বিজয়, স্পোক্সপর্সনশিংদা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং, ডা. কে ঐচ লোকেন, এস নোংপোক ঙানবা মীতৈ, ঐচ এস বেঞ্জামিন মাতে (এস টি)নি। ভাইস প্রসিদেন্টশিংদা মথংশিংনা এন নিম্বস, এ সর্দা, আর কে সোমোরজিৎ, টি মীনা, আর জোনাথন তাও অমদি সী ঐচ চিদানন্দনি। জেনরেল সেক্রেটরিদা য়ু দেবেন অমদি এল দেবেননি। ট্রেজররদা ওম প্রকাস সেখাৱট,

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

HL Poll

Q: State asida COVID-19 local transmission toubagi oirakliba phibam asi laksinnaba leingakna matik chaba thabak paikhatli khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: State asida leiriba leingak paiminnariba luchingbasinggi marakta wakhallon khennaba amadi yanadaba leite khanbra?

Yes 91% No 09%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৩৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.১৭ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৫৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- করিমা ৱানিংঙাই লৈতে, ষ্টোক্তা হার য়াম্না লৈরি হায়রিয়ে, বাজি...!

- ꯀꯔꯤꯃꯥ ꯋꯥꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯂꯩꯇꯦ, ꯁ꯭ꯇꯣꯛꯇꯥ ꯍꯥꯔ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤ ꯍꯥꯏꯔꯤꯌꯦ, ꯕꯥꯖꯤ...!



- ষ্টোক্তা লৈবদুদি করি কান্ননবা, ইবুংঙো ...!

- ꯁ꯭ꯇꯣꯛꯇꯥ ꯂꯩꯕꯗꯨꯗꯤ ꯀꯔꯤ ꯀꯥꯟꯅꯅꯕꯥ, ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ...!

পুং ২৪গী মনুংদা থৌবালদগী ১০ য়াওনা পুন্না মীওই ১৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

রিমসকী এটেন্দেন্ট অমা পোজিটিভ ওইবদগী ও পি দি ব্লোক য়াওনা দিপার্টমেন্ট কয়া থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলপগা লোয়ননা পুং ২৪গী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১০ য়াওনা পুন্না মীওই ১৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

থৌবালদগী মীওই ১০ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা অসিদা মীওই অমদি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ রেস্পিরেটরি মেদিসিনগী এটেন্দেন্টনি। এটেন্দেন্ট অসি পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা অসিনা মরম ওইরগা রিমসকী ও পি দি ব্লোক য়াওনা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়া খুদক্তগী থিংজিনখ্রে।

রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ রেস্পিরেটরি মেদিসিনগী এটেন্দেন্ট ওইরিবা মীওই অসিনা হোস্পিটাল অসিগী রেস্পিরেটরি মেদিসিন ও পি দি, রেস্পিরেটরি মেদিসিন ৱার্দ, ও পি দি ব্লোক্তা লৈবা ঈ সী জি রুম, রেদিওদাইগ্নোসিস দিপার্টমেন্ট, রেস্পিরেটরি মেদিসিন দিপার্টমেন্ট অমসুং প্লাষ্টিক সর্জরি দিপার্টমেন্টতা বিজিট তৌরল্লে হায়বা খঙবা ঙল্লে। মরম অসিনা রিমস হোস্পিটালগী ও পি দি ব্লোক অমদি মহাক্লা বিজিট তৌরল্লিবা দিপার্টমেন্টশিং অসি খুদক্তগী চয়োল অমা থিংজিল্লে। অদুমকপু হোস্পিটাল অসিগী ইম্মর্জেন্সি সার্ভিসশিংদদি অথিংবা অসি লৈরোই। ইম্মর্জেন্সি/ কেজ্যুএলিটি দিপার্টমেন্টতা অথু-অকায়গী য়াম্না জেন্যুইন ওইবা কেসশিং খক্তমক লায়েংগনি।

এটেন্দেন্ট অসিগা নক্লনা অমদি তোৎনা-তিন্ননা থবক তৌরম্বা ফেকল্টি মেম্বরশিং, নর্সশিং অমদি অতোপ্পা ষ্টাফশিং অমসুং মহাক্না নক্লরম্মী হায়বা মীওইশিংগা অমুক মখা তানা নক্লরম্বা মীওইশিং লাক্লিবা জুলাই ২৩ অমসুং ২৪গী অয়ুক পুং ৯ তাবদগী হোস্পিটাল অসিগী জেনরেল ও পি দিগী মমাঙদা অয়ুক পুং ৯দগী হৌদুনা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌনবা থবকশিং পায়খৎলগনি। হায় রিক্স

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী অমসুং মীওই ৪গী মথক্তা ক্রিমিনেল পিটিসন

ওগষ্ট ৪ ফাওবদা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎকী মথক্তা পুলিসনা এক্সন লৌখৎতনবা হায়কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী ৱার্ক্স, আর দি এন্দ পি আর, আই পি আর, এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোমর্স, টেক্সটাইলস অমসুং কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী থৌরম পুবা মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ (৪৪), অপোকপা টি ঐচ কুমার, থোংজু নিঙোম থোংদা লৈবনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন অমগী মরক্কী ওইবা ওর্দরদা হায়কোর্টনা পিটিস্নর মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসননা মথং থাগী ৪ ফাউবদা এক্সন অমত্তা লৌখৎতনবা খঙহনখ্রে।

মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন অসিগী নম্বর-১৭ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন-চার্জ (ও সী) অমসুং নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী বি জে পিগী এক্স এম এল

এ সোইবম সুভাসচন্দ্র (৫৩), অপোকপা এস তোম্বনি। মহাক হৌজিক লম্ফেলগী স্পেসল ক্বার্টর নম্বর জি-৫, টাইপ ৬তা লৈরিবনি। ক্রিমিনেল পিটিসন অসিগী প্রোফোর্মা রেস্পোন্দেন্টশিংনা কোংগ্রেস এম এল এশিং ওইরিবা কৈশাম মেঘচন্দ্র (৪৭), অপোকপা কে কুল্লবিধু, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা, থোকচোম লোকেশ্বর (৫৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ নবকুমার, শগোলমাং মমাং লৈকায় অমসুং হুইদ্রোম বিক্রমজিৎ (৫৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ মনি, ৱাংখৈ থাংজম লৈকায়নি।

পিটিস্নর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ২৫(৭)২০২০ অন্দর সেক্সন-৩৪১/ ৩৪২/ ৩৪৭/ ৩৫২/ ৩৮৫/ ৩৮৬/ ৪০৬/ ৪১৮/ ৪২০/ ১২০-বি, আই পি সী অসিগা লোয়ননা কেস অসি রেজিষ্টর তৌনবগীদমক থাসিগী ৪দা পুলিস ষ্টেসন অসিদা ফাইল তৌরকখিবদগী পি এস অসিনা 'ওফিসল ইজাহার' (ও ঈ) ওইনা লৌরবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুগা পুন্না ক্বাস তৌদুনা চৎনহনবিগনু হায়বসিনি। মরমদি কেস অসিগী কমপ্লেনেন্টনা কেস অসিদা পিটিস্নর অসি চেন্নদে হায়দুনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনা থৌওং অসি পিটিস্নরগী পর্সনেলিটিবু শোকহন্দুনা লান্না

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

এম পি ৱাশক লৌরুনবা লৈশেম্বা সনাজাওবা দিল্লি পাংখ্রে

ইমা লোলদা ৱাশক লৌগনি : সনাজাওবা

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচ এন এস): রাজ্য সভাগী এম পি মীখলদা মায় পাকখ্রবা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা থা অসিগী ২২দা পার্লিয়ামেন্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক ঙসি দিল্লি পাংখ্রে।

দিল্লিদা চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবদা, রাজ্য সভাগী এম পি অমা ওইনা ৱাশক লৌরুনবগীদমক দিল্লিদা চৎকদবনি। ৱাশক লৌবা মতমদা ইমা লোলদা ৱাশক লৌগনি। লাইনিংথৌ সনামহী, ইবুধৌ পাখংবা অমদি গোবিন্দ খুরুমজরবা তুংদা ৱাশক লৌগনি। এম পি অমা ওইনা থবক পুবা হৌরকপগা মরুওইনা চীংগী লমদমশিং অমদি মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মফমশিংদা প্রাইওরিটি পীদুনা চঙশিন্নবা হোৎনগনি।

এম পি অমা ওইনা মীয়ামগীদমক ঙমজবা খরদং পাঙথোক্লবা মীৎয়েং থল্লি। মীয়ামগীদমক তৌগে খল্লগা ঙমদনা লৈরকখিবা কয়া অমা এম পি ওইরবা মতুংদা খরমখৈদি তৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। থা অসিগী ২২গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

রোবিন্দ্রোগী মায়োক্তা এফিদেবিট অমত্তা ফাইল তৌরক্তবদগী মহাক্কী দিসক্বালিফিকেসন ওর্দরগী সস্পেন্সন মতম হায় কোর্টনা শাংদোকহনখ্রে

সুপ্রীম কোর্টনসু এস এল পি অমসুং কেভ্যাইট পিটিসন এদজোর্ন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচ এন এস): কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা লিংলিবা ট্রাইব্যুনেলনা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখিবা থাঙ্গ এ সীগী তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী দিসক্বালিফিকেসন অসিবু হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরকপদগী কোর্ট অসিনা মরক্কী ওইবা ওর্দর অমদা মসিগী ওর্দরবু সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লকখিবদু থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।

এম এল এ, টি রোবিন্দ্রোনা মহাকপু দিসক্বালিফাই তৌবগী ওর্দরবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৩১৭ ওফ ২০২০ অদু ঙসি জষ্টিস লুনুশুংকুম জামির অমসুং অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-৪দা লিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা মাঙজৌননা থা অসিগী ১০ দা পীখিবা দিরেক্সন মতুংইন্না কেস অসি ঙসি দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎলকপদা পিটিসনরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেলশিং ওইরিবা মাইবম হেমচন্দ্র অমসুং নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপখি। অদুগা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩ ওইরিবা য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ থোকচোম সৈত্যব্রতগী মায়কৈদনা কাউন্সেল জেক্সন নাওরেমনা লেপখি। অদুগা কাউন্সেল অসিগী মায়কৈদগী কেস অসিগা মরী লৈনবা কাউন্টর এফিদেবিট ফাইল তৌরক্লবগীদমক কোর্টতা নুমীৎ ১০নি মতম পীবীনবা হায়জখি।

কোর্টনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩গী মায়কৈদগী তৌরকখিবা প্রেয়র অসিদা অয়াবা পীখ্রবসু রেস্পোন্দেন্ট নম্বর -১ অমসুং ২ ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর অমসুং সেক্রেটরিগী মায়কৈদগীদি মখোয়না ফাইল তৌরকফম থোকপা এফিদেবিটশিং ফাইল তৌরকখিদে। মসিগী মহুৎতা ফাইল তৌরকফম থোক্লবা এফিদেবিটশিং অসি ফাইল তৌরক্লবগী মতম পীবীনবা হায়জরকখি।

কোর্টনা রেস্পোন্দেন্ট অহুম্মক্কী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমদা অয়াবা পীরদুনা কেস অসি থা অসিগী ৩১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। লোয়ননা পিটিসনর টি রোবিন্দ্রোবু এম এল এ ওইবদগী দিক্কালিফাই তৌখিবগী ওর্দরবু বেঞ্চ

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ইন্নর লাইন পার্মিট পীবগী থবক হৌননবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা থা ৪ রোম ইন্নর লাইন পার্মিট পীবগী থবক লেপ্পুরবা অদু হয়েংদগী হৌননবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরী (হোম) ঐচ গ্যানপ্রকাসনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, চহীসিগী মার্চ ১৭ অমসুং ১৮দা থোকখিবা ওর্দরশিংগী মতুং ইন্না ইন্নর লাইন পার্মিট পীবগী থবক সস্পেন্দ তৌদুনা লাকখিবা অদু হয়েংদগী মরী লৈননা দেজিগনেটিদ ওফিসশিং অমদি পুলিস ষ্টেসনশিংদা রিজ্যুম তৌরগনি হায়রি।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক দিসমিস তৌবীনবা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে : ও জয়

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি দিসমিস তৌবীনবা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়না এম পি সী সীগী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা সিনিয়র পোলিটিসিয়ন ও জয়না পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ককৱাদা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাউমীশিংগা উনবদা ও জয়না হায়খি, এদিসনল এস পি ওইবী নুপী অমনা লুখোসৈ জৌগী দ্রগ কেসকা মরী লৈননা মীওই কয়া চেন্নবগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ময়াই কাবা দ্রগ ফাবগী কেস অসিগী মতাংদা সী বি আইদা থিগৎহনবা হায়বসি লৈঙাক্লা তৌগদবা থবক্লি। চহী ২ ফারবা কেস অসি হৌজিক ফাওবা লৈরিবা করিগীনো। ষ্টেটসিদা পাল্লিবা

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি দিসমিস তৌবীয়ু হায়না গভর্ণরদা চেরোল পীশিনখিবনি। তঙাইফদ্রবদি গভর্ণর উনদুনা তকশিনবসু য়াই।

ময়াই কাবা দ্রগকী কেস অসিগী অচুম্বা পুথোক্লবগীদমক ইনভেষ্টিগেসন চথুবা মতমদা সী এম ফম থাদোকফম থোকই। অচৌবা দ্রগকী কেস অসিগী মতাংদা জষ্টিস পুথোক্লবা হোৎনফম থোকই। চীফ মিনিষ্টরনসু হিরমসিদা চেন্নবশিং চৈরাক পীগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অচুম্বা উৎকে হায়রবদি সী এমদগী তোক্কদবনি। অচুম্বা তৌগে হায়রগদি সী এম ষ্টেপদাউন তৌবা নত্তনা লৈরোই।

এসেম্ব্লীদা চহী ৩০ হেন্না থৌদাং য়াদুনা লাকখি। মিনিষ্টর অমদি এম এল এ ওইনা মতম শাংনা মহাক্লা থবক তৌরকখিবা মতমদা অরানবা তৌখি হায়রবদি পোলিটিক্সতগী তোক্কে। অরোনবা লন-থুম লৈ হায়বগী খুদম চাংদম পীবা ঙল্লবদি পোলিটিক্সতগী তোকপদা নত্তনা চৈরাক পীবীয়ু। অরোনবা লন-থুম লৈরল্লবদি মদু লৌবীয়ু।

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ওক্সফোর্দকী ভেক্সিন মীওইবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে : ষ্টদি

লন্দন, জুলাই২০ (এজেন্সি) : অষ্ট্রা জেনেকা অমসুং ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা পুথোক্লিবা কোরোনাভাইরস ভেক্সিন্না অকনবা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স থোকহনবা ঙম্বতা নত্তনা ভেক্সিন অসি মীওইবদা শীজিন্নবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরোই হায়বগী মমি অমা উবা ফংলে হায়বসি প্রিমিলিনরি ওইবা ষ্টদি রিপোর্টনা উৎখ্রে।

মীওই ১,০৭৭ না শরুক য়াখিবা অঙনবা তাঙ্কক্কী চাংয়েংদা ভেক্সিন অদুনা ইম্ম্যুন সিষ্টেম্না এন্টি বোদিশিং অমসুং হ্বাইট ব্লদ সেলশিং পুথোক্তুনা কোরোনাভাইরস থেংনবা ঙম্মী হায়বসি খঙবা ঙমখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

কোংগ্রেসনা কেভ্যাইট পিটিসনশিং ফাইল তৌরকপদগী টি টি হাওকিপ অমদি সাম্যুয়ল জেন্দাইগী কেসশিং য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ১১শুবা মীখলদা বি জে পিগী এম এল এশিং ওইনা কারকখিবা হেংলেপ অমসুং তমেংলোং এ সীগী টি থাংজালম হাওকিপ অমদি সাম্যুয়ল জেন্দাইনা এসেমব্লীগী মেম্বর ওইবদগী রিজাইন তৌখিববু অয়াবা পীখিবা স্পিকরগী ওর্দরবু শীংনরদুনা হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অনীমক ঙসি খন্ননবা লিষ্ট তৌবদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী পিটিসন অনীমক্তা কেভ্যাইট পিটিসনশিং ফাইল তৌশিল্লকপদগী ঙসি খন্নদনা য়ৈথোকখ্রে।

টি টি হাওকিপকী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুগী নম্বর দব্লিয়ু পি (সী)-৩৮৭ ওফ ২০২০ নি। অদুগা সাম্যুয়ল জেন্দাইনা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর-৩৯৬ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অনীমক ঙসি জষ্টিস লানুশুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি।

বেঞ্চ অসিনা মসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ১ অমসুং ২ দা লিষ্ট তৌখিবা কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা কেভ্যাইট পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখি হায়বা ৱাফম কোর্টতা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসিদগী পিটিসনর সাম্যুয়ল জেন্দাইগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা মখোয়গী কেস অসি ঙসি এদজোর্ন তৌদুনা হয়েং পাঙথোকপীনবা প্রেয়র তৌরকখি। মসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীবদগী হয়েং অমুক হন্না কেস অসি দিভিজন বেঞ্চ অসিদা লিষ্ট তৌখি।

অমরোমদা পিটিসনর টি টি হাওকিপগী পিটিসনদদি শেমদোক-শাদোক্কদবা খরা লৈরে হায়বদগী মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা মতম খরা পীবীনবা হায়জরকপদগী কোর্টনসু অয়াবা পীদুনা মহাক্কী পিটিসন অসিনা থা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

এপ্লিকেসন মশীং য়াম্না থারকপনা লৌমি খুদিংমক্তা এস এম এ এমগী খুদোংচাবা পীবা ঙমদবনি: করাম কুলবিধু

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচ এন এস) : দাইরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরগী মখাদা সব মিসন ওন এগ্রিকলচরেল মেকানাইজেসন (এস এম এ এম) কী ২০২০-২১ মিসনগী মতুংইন্না লৌমিশিংনা এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্তশিং লৈহন্নবগীদমক সবসিদি পীনবগী বেনিফিসরি খনবগী প্রোসেসতা মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবগী ৱাকৎ কয়া লাক্লুরে। কুমজা ২০২০-২১গী ওইনা থা অসিগী ১৫দা খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংগী লিষ্ট থোকখিবনি।

মীয়াম্না বেনিফিসরি খনবগী প্রোসেস অসি করিদা য়ূম্ফম ওইরগা খনবনো হায়না হংনরিক্লিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খঙদোক্লবগীদমক পাউচে অসিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচরেল ওফিসর করাম কুলবিধুগা উনরুবদা মহাক্লা হায়খি, এস এম এ এমকী বেনিফিসরি খনবগী প্রোসেস অসি দিষ্ট্রিক্টশিংগী এগ্রিকলচর ওফিসশিংদা এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্তশিং লৈবদা পীরিবা সবসিদি ফংনবগীদমক লৌমিশিংনা থাগৎলকখিবা এপ্লিকেসনশিং দিষ্ট্রিক্ট ৱাইজগী ওইনা খনগৎলবা মতুং দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী এগ্রিকলচর ওফিশিংনা লৌ য়াম্না ফজনা উরি খঙলবা মীওই খরা খনগৎলি। লোয়ননা এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিশিংগী এম এল এশিংনসু করম-করম্বা লৌমিশিংদা এস এম এ এমগী এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্তশিং লৈন্নবগীদমক সবসিদি পীবা য়াবগে হায়না খনগৎলি। ফাইনেল ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিং অমদি দিষ্ট্রিক্টকী দি সীশিং য়াওনা মীফম ফমদুনা বেনিফিসরি খল্লবা মতুং ওল মণিপুরগী ওইনা খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংগী লিষ্ট থোকপনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনসু এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি ১৩গী এম এল এশিংনা এপ্লিকেসন থারকখিবা লৌমিশিং

...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-C/170/1-31/7

[illegible] / খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

☛ লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।

☛ লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫